**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 20-04-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২০-০৪-২০২৪, থাংজা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাংহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরদা ঙরাং অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭২.১৭ ওইখি। ইন্নরদা চাদা ৭৬.০৫ অমসুং আউতরদা চাদা ৬৫.২২ ভোট থাদখি হায়রি।

২) আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি সিটকী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থা অসিগী ২৬ দা অনিশুবা তাঙ্কক্তা থাদনরগনি।

**অমসুং**

৩) থা অসিগী ২৬ তা পার্লিয়ামেন্তরি সিট ৮৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**ইলেক্সন (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭২.১৭ ওইখি। ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়াগী পাউগী মতুং ইন্না ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সর্টিট্যুন্সিদা ৭৬.০৫ অমসুং আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সর্টিট্যুন্সিদা চাদা ৬৫.২২ ভোট থাদখি হায়রি। ইন্নর মনিপুরগী ওইনা লিল্লোং বিধান সভা কেন্দ্রনা খ্বাইদগী মশিং য়ামা চাদা ৮৫.৯৫ কী চাংদা ভোট থাদখি। কৈরাও বিধান সভা কেন্দ্রদা চাদা ৮৪.৮৪ গী তাংদা ভোট থাদনখি। ওইনাম কেন্দ্রদা চাদা ৫৭.৮০ থাদনুনা খ্বাইদগী নেমা ভোট থাদবা চাং ওইখি।

আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিদনা চান্দেল জিলানা খ্বাইদগী ৱাংনা চাদা ৮৯.৩৮গী চাংদা ভোট থাদখি। ৱাবগাই কেন্দ্রদা চাদা ৮২.৭৭ , হেংলেপ অমসুং সিংহাটতা চাদা ৮০গী চাংদা ভোট থাদখি। খ্বাইদগী নেমনা সাইকুলদা চাদা ২৬.১৮ গী চাংদা ভোট থাদখি।

মীখলদা মথৌ তৌরিবা পোল্লিং ওফিসিয়েলশিং মাগী মাগী মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরশিংদা থংখিবগা লোয়ননা ই.ভি.এমশিং স্ত্রোং রুমদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা থমখ্রে। চুরাচান্দপুর জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র মরিদা হাংলিবা পোল্লিং বুট ২৮৯ দা ঙরাং ভোট শান্তি ওইনা থাদনখি। জিলা অসিগী বিধান সভা কেন্দ্র মরিদা ভোট থাদবগী চাং ময়াই ওইরপ ৱাংখি।

অহানবা তাঙ্কক্তা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরিগী বিধান সভা কেন্দ্র ৩২ অমসুং আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ দা ভোট থাদনখিবনি।

**২-ফেস(এল)ঃ** আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি সিটকী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থা অসিগী ২৬ দা অনিশুবা তাঙ্কক্তা থাদনগনি। রাজ্য অসিগী জিলা ৮-জিরিবাম, তমেংলোং, নোনে, ফেরজোল, তেংনৌপল, উখ্রুল, কামজোং অমসুং সেনাপতিগী অপুনবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনগনি। অনিশুবা তাঙ্কক অসিদা অপুনবা ভোট্টর লাখ ৪ লিশিং ৮৪ হেনবনা পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ দা ভোট থাদগনি । তাঙ্কক অসিদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনা তেংনৌপল জিলাদা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন মরি-জিরিবামদা অমা, উখ্রুলদা মরি পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৯ হাংদোক্কনি। ভোট জন্ ৪ দা মশিং থীগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা ঙরাং মীওই ৩ খুৎলায়গা কোন্ননা ফাখি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মনিপুর পুলিসনা হায়-মোইরাং কম্পু প্রাইমরি স্কুলদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অমদি থৌদোক অদুদা মীওই অমা শোকখিবা অদুদা চেন্নবা মীশকশিংনি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদুদগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৮ য়াওনা পোইন্ত ৩২ পিস্তোল অমা , মোৱাই ফোন অহুম ,কার অমা অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ১ মখায় ফাগৎপা ঙস্লে হায়রি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**কেম্পেইনঃ** থা অসিগী ২৬ তা অনিশুবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগদৌরিবা অসিগীদমক ভোট খোম্নবগী থবক কনখৎলক্লি । তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১৩ গী পার্লিয়ামেন্তরি সিট ৮৯ দা ভোট থাদনগনি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মধ্য প্রদোকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি । দামোহ্দা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা শ্রী মোদিনা হায়- মীখল হায়বসি এম.পি অমখক খনবগী থৌশিল নত্তে , লৈবাক

অসিগী মীখলনি। মহাকা হায়- মীখল হায়বসি লৈবাক অসিগী তুংগী ফীরেপ লেপবগীদমক্তনি অমসুং লাক্লিবা চহি ৫ অসিদা মালেমদা শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইনবগীদমক্তনি। শ্রী মোদিনা হায়- মালেমগী মফম কয়াদা চরাংনবা অমসুং লান থোক্লি। অদুম ওইনমক ভারত্তদি খোংজল য়াংনা চাউখৎপা লৈবাক অমা পুরকপা ঙম্বা সরকার তঙাই ফদে।
মহাকা হায়- মোদি গরেন্তি হায়বগী আর্থদি মীপুম খুদিংমক্কী মংলান মঙফাওহন্নবনি ।মোদি গেরেন্টি হায়বা অসিনা লাইরবা,লৌমী, নহা, মমা ওইবিশিং অমসুং ইচে, ইচলশিংবু চাদা ১০০সরকারগী খুদোংচাবা ফংহনবা অদুনি।

**নোমিনেসনঃ** লোক সভা মীখলগী অহুম শুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচেশিংগী স্ক্রেতিনি ঙসি পাঙথোক্কনি। মীরেপচে পিশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ঙরাং ওইখিবনি। মথং থাগী ৭ তা ভোট থাদনগদৌরিবা ৩ শুবা তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১২ গী পার্লিয়ামেন্তরি সিট ৮৪ কোনশিল্লি। ৩ শুবা তাঙ্কক অসিগীদমক অসামদা মীরেপ ৬০ না মীরেপচে পীশিল্লকখি। তাঙকক অসিদা গুৱাহাতি, বরপেতা, কোক্রাঝার অমসুং দুব্রিদা ভোট থাদনগনি।

**অসামঃ** অসামগী কমখ্যা রেলৱে পুলিস ষ্টেসনদগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ১০ হেনবা ফাগৎলে। কমখ্যা রেলৱে পুলিসনা পেকেদ ৫ দা হাপলম্বা গঞ্জাশিং অদু নুপা অমদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফারবা মীওই অমসুং পোৎলমশিং অদু মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে। অমরোমদা,অককবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম পুলিসনা মীওই অনিদগী সাপোন কেপ অমদা হাপ্লম্বা হেরোইন ফাগৎপা ঙম্লে।

**ইলেক্সন ঃ** রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি মরিদা ঙরাং লোক সভা

মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা চাদা ৬২.৩ চাংদা ভোট থাদখি। তাঙ্কক অসিদা সেদ্যুল-ত্রাইবকী সিট ১১ অমসুং সেদ্যুল-কাস্তকী সিট ১৮ য়াওনা পুন্না পার্লিয়ামেন্তরি সি ১০২ দা ঙরাং ভোট থাদনখিবনি। মফম কয়াদা শাবগী চাং ৱাংলবসু মীখল পুন্না য়েংবদা শান্তি ওইখি। রাজ্য অয়াম্বদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭০ গী মথক্তা ওইখি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ লিশিং ১,৬২৫ না লম্বা তৌনরি। মীখল শান্তি ওইনা থাদনখিবা অদুদা ইলেক্সন কম্মীসননা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

ছাতিসগরগী বাস্তর লমদমগী খুঙ্গং ৫৬ অমসুং গ্রেট নিকোভরগী সোমপেন ত্রাইব অহানবা ওইনা ভোট থাদখি। সোমপেন ত্রাইব অসি গ্রেট নিকোভর ইথৎতা মহৈরোলদগী লৈরক্লবা কাংবুনি। মখোয় অসি মাংখিবা য়াবা কাংলুপশিংগী মনুংদা চল্লীবনি। পুন্না ভোটর ৮৪ লৈবগী মনুংদা মীওই ৭ না ভোট থাদখি। অমরোমদা, দুগোং ক্রিক্তা লৈবা ওংগে ত্রাইবকী মীওই ৬৩ অমসুং স্ট্রেট আইলেন্দা লৈবা গ্রেট অন্দামনিস ৩৩ সু ভোট থাদখি।

**ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক ওক্রম উমাদিনি লৈরে--**

**-উমাদিনি-**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মনিপুরদা ঙরাং অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭২.১৭ ওইখি। ইন্নরদা চাদা ৭৬.০৫ অমসুং আউতরদা চাদা ৬৫.২২ ভোট থাদখি হায়রি।

২) আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি সিটকী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থা অসিগী ২৬ দা অনিশুবা তাঙ্কক্তা থাদনরগনি।

**অমসুং**

৩) থা অসিগী ২৬ তা পার্লিয়ামেন্তরি সিট ৮৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

**--পাউ লোইজরে--**

--

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-রাজেস**

১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল ঙরাং পাঙথোকখিবা, পোল্লিং ষ্টেসন খরদা চরাংনবা থোকখিবা অমসুং পোল্লিং ষ্টেসন খরদা মীখল হন্নবা মায়কৈ কয়াদগী দাবী তৌরকপগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা - ১৮ শুবা লোক সভা মীখল, অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনখ্রে,ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৮.৬০ওইখি, পোল্লিং ষ্টেসন খরদা চরাংনবা থোকখি হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা -মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা মনিপুরদা মীখল পাঙথোকখ্রে। ইন্নরদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭২.৩২ আউতরদা ৬৩.৫৩ ওইখি, পোল্লিং ষ্টেসন ৪০ হেনবদা মীখল হল্লবা য়াই হায়না বেন্নর হেলাইন তৌরি। পোল্লিং ষ্টেসন ৪৭ দা মীখল হন্ননবা কংগ্রেসনা দাবী তৌবগী পাউ মোর্নিংবেল , মনিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস,সনা লৈবাক , ঈচেল এক্সপ্রেস, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মনিপুর ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মীখলদা চরাংনবা অমসুং পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবগীদমক ইন্দিয়া ব্লোকা বি.জে.পিবু মরাল শিরক্লি। পোল্লিং ষ্টেসন ৪৭ মীখল হন্ননবা দাবী তৌরকপগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নসেনেল হায়বে -৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা দাইভরশিংগী খোংজং হৌখ্রে ,গাড়ি অমত্তা চৎহনদ্রে হায়বা পাউনা পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লোক সভা মীখল মনিপুরগী  য়ুনিতি অমসুং ইন্তিগ্রিতি ঙাকপদা অচৌবা মতেং ওইনবনি হায়বা বি.জে.পি মীরেপ টি.ঐচ বসন্তাকুমারগী ৱাফমনা মনিপুর নিউজকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

প্রিপোল ভাইওলেন্স থোরক্লিবা অসি মীয়ামগী খোল্লাউবু নমশিন্দুনা থমবা হোৎনবনি হায়বা কংগ্রেস মীরেপ অঙোমচা বিমোল অকোয়জমগী ৱাফমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মীখলদা চরাংনবা থোকহনবগীদমক বি.জে.পিনা কংগ্রেস মীরেপ্তা মরাল শীরকপগী পাউ-পিপলস ক্রোনিকল,সঙাই এক্সেপ্রেস মনিপুর অমসুং ইংলিস ইদিসনদা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কংগ্রেসকী এজেন্ত ফাবা লাকপা নহা অনিনা নোংমৈ কাপথোক্লম্বদা অহল অমা শোক্লে,ই.ভি.এম,ভি.ভি.পেদ মৈ থাখ্রে হায়বা পাউ অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

কাংপোকপীদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৩০ গী মখাদা লৈখি হায়বা পাউ অসিনা মোর্নিংবেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী মফম অয়াম্বদা মীখল শান্তি ওইনা পাঙথোকপগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ফ্রি এন্দ ফিয়্যার ওইবা ইলেক্সন ওইদ্রে হায়বা হান্নগী ও.ইবোবিগী ৱাফম মনিপুর নিউজকী অহানবা লমায়দা ফোংলি। মীখল অসিদা বি.জে.পি মীরেপনা চাউনা মায়পাক্কনি হায়বা সি.এমগী ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। দিমোক্রেসিগী ৱাস্তোক লৈহন্দনা , পাৱর শিজিন্নরগা নম্ফু শাফু তৌবসি মনিপুরদা হন্দকা অহানবনি হায়বা আর.পি.আইগী মীরেপ মহেস্বর থৌনাওজমগী ৱাফমশু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নাগালোন্দ জিলা খরদা মীওই অমত্তা ভোট থাদবা থোক্লকখিদবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মীখল ভোইকোট তোবনা মরম ওইরগা কাংপোকপীদা ভোট থাদবগী চাং য়ামা নেমখি হায়বা পাউ অসিনা দ সামগী মরুওইবা পাউ ওইরি। মনিপুরদা লোক সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা মফম কয়াদা চরাংনবা কয়া থোকখিবা, নোংমৈ কাপ্পা, বুট কেপচরিং ,ই.ভি.এম মছিন থুগাইবা, অশোক অপন নংখিবগী পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিউ মেলগী মরু ওইবা পাউশিং ওইরি।

**--রাজেস--**